য়ুরোপা লীগ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০

স্পেনগী সিভিল্লানা ইটলিগী ইন্টর মিলানবু পাঞ্জল ৩-২দা ফাইনেল মায় পাক্তুনা য়ুরোপা লিগ টাইটল ৬লকশুবা ওইনা লৌখ্রে

কোলোন, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):

জর্মনিগী সিটি কোলোনদা লৈবা রাইনইনর্জিষ্টেদিয়মদা ঙরাং নোংয়াই মতুংদা শান্নখিবা য়ুরোপা লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচতা স্পেনগী ক্লব সিভিল্লানা ইটলিগী ক্লব ইন্টর মিলানবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ৬লকশুবা ওইনা য়ুরোপা লিগকী ট্রোফি লৌবা ঙমখ্রে।

স্পেনগী ক্লব অসিগী মায়কৈদগী হৌখিবা সিজন ৭তা য়ুরোপা লিগকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইদুনা লাকখিবনি। টিম অদুগী স্পোর্টিং দিরেক্টর রাম মোনচি ক্রোদিগেজনা ফাইনেল মেচ অদুগী মাংওইননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা সিভিল্লানা য়ুরোপা লিগ নুংশিবা অসি অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিংগী খ্বাইদগী হেল্লি হায়খি। নাকল অমদা ক্লব অসিগী কোচ জুলেন লোপটেগুইনা ট্রোফি লৌবা লোইরবা মতুং ফোঙদোকখিবদা, কোচ অমা ওইনা য়াম্না অপেনবা ফাওই। লোয়ননা তাঞ্জা অদু য়ৌনবগীদমক সিজন খুদিংদা কন্না হোৎনদুনা লাকখি হায়রি।

ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুনা সিভিল্লাগী মরুওইবা মিদ ফিল্দর অমা ওইরিবা এববর বানেগাগী ২৩৮লক অমদি অরোইবা মেচ অদু ওইখি। মহাক্না ক্লব অসিদা শান্নদুনা য়ুরোপা লিগ টাইটল অহুল্লক লৌবা ঙমখ্রবনি। ক্লব অসিদগী মহাক পোথারগা মথংগী সিজনগীদমক সাউদি অরাবিয়াদা লৈবা ক্লব অমদা শরুক য়ারুগদৌরিবনি।

ঙসি এব্বা বানেগাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখি। মহাক্কী ফজবা ফ্রী কিক অমগী বোলদা টিমমেট লুক দি জোংনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। লোয়ননা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদুসু মহাক্না কাওখিবা ফ্রী কিক অমগী বোল অদু টিমমেট দিএগো কার্লোসনা ওভরহেদ কিক কাওশিনখিবদা ইন্টর মিলানগী ষ্ট্রাইকর রোমেলু লুকাকুনা থৎচিনখিবদগী পাঞ্জল ওইহনখি।

সিভিল্লানা য়ুরোপা টাইটল তরুক্লক লৌবা ঙম্লবসু ক্লব অসিগী মরমদম স্পেনদা পাঙথোকপা চহীগী ওইবা লা লিগাগী টাইটল অদুদি রিএল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনাদগী মুনবা ঙমদনা লৈরি।

ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদু হৌরকপদা ইন্টর মিলাননা ফজবা হেনখি। শুপ্নগী মঙাশুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমা সিভিল্লাগী পেনাল্টি এরিয়া য়ৌশিল্লকপদা মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা কাঙলোনগী ৱাংমদা বোল মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙল্লিবা রোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা মশাগী ১১রকশুবা পাঞ্জল ওইহনখি। লুকাকুনা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা সিজন অমদা পূন্না পাঞ্জল ৩৪ চন্দুনা ইটলিগী জুবেন্টসকী ষ্ট্রাইকর খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোগী রেকোর্দকা মান্নবা ঙল্লি।

শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা সিভিল্লাগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। টিম অদুগী জিজস নবাজনা পীরকপা বোল অমদা লুক দি জোংনা চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ১২ খক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা সিভিল্লাগী এব্বা বানেগানা অমুক পীরকপা বোলদা লুক দি জোংনা চন্দুনা মশাগী অনীরকশুবা অমদি টিমগীসু অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মিনট ৩৩গী মনুংদা ইন্টর মিলানগী মায়কৈদগী দিএগো গোদিননা মহাক্কী টিমমেট মার্সেলো বোর্জোবিজনা কাওরকপা ফ্রী কিক অমদা হেদ তৌশিনদুনা ইক্বেলাইজর ওইহন্দুনা অহানবা হাফ অদু ২-২দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ অদু অহানবা হাফকী খোঙজেলদগী খরা হন্থখি। ৬৫শুবা মিনটতা ইন্টর মিলানগী লুকাকুনা সিভিল্লাগী দিফেন্দর দিএগো কার্লোসপু লান্থোক্তুনা পুশিল্লকখিবা বোল অদু লোইশিল্লকপদা শাফু তপখিবদগী গোল কিপ্পরনা লায়না ফাখি। অদুবু ৭৪শুবা মিনটতা লুকাকুগী অশোয়বনা সিভিল্লাদা পাঞ্জল পীখিবদগী টাইটল অদু সিভিল্লানা লৌখি।

ভিনেশ ফোগট অমসুং সাক্ষি মালিক য়াওবা ঙল্লরোই হায়রকপদগী কেম্প য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):

চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১দগী উত্তর প্রদেশকী সিটি লক্ষ্ণৌদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা হৌগনি হায়না তৌরম্বা নুপীগী রেষ্টলিংগী নেসনল কেম্প অদু মরুওইবা রেষ্টলর অনী ভিনেশ ফোগট অমসুং সাক্ষি মালিকনা য়াওবা ঙল্লোই হায়রকপদগী য়ৈথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোল অমনা খঙহল্লকপনি। লোয়ননা অনৌবা কেম্পকী মফম অমসুং মতম অদু মখা তানা খঙহল্লক্কনি হায়রক্লি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা ভিনেশ ফোগটনা মহাক্কী মরমদম হরিয়ানাদগী লক্ষ্ণৌ তান্না লাকপা অদুদা ঙল্লোইদবগী ৱাফম ফোঙদোরকপা লৈখিবনি। হৌজিক ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী চৈথেংনা মরুওইবা মরম ওইখি। ফোগটনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক হরিয়ানাদা লৈবা মহাক্কী কোচ অদুগা মখা তানা ট্রেনিং চথবনা হৌজিক্কী ফীভম অসিদা হেন্না শাফগনি হায়রকখিবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেম্প অসি য়ৈথোকপগী ওফিসল ওইবা মরম অদুদি পীদ্রবসু মমাংদগী রেষ্টলরশিংনা য়াওবা লাক্ত্রবদি কেম্প অদু করম্না পাঙথোক্কদগে হায়বগী অচৌবা ৱাহং অমা হংদুনা লৈরকখি। ভিনেশ ফোগটতা নৎতনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা রেষ্টলর রিও ওলিম্পিক্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবী সাক্ষি মালিকসু লক্ষ্ণৌগী কেম্প অদু য়াওবা ঙল্লোইহায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না অতোপ্পা রেষ্টলরশিং অদুগা পূন্না য়াওমিন্নগদবনি। কেম্প অদুদা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা কম্পিটিসন য়াওদ্রবদি কেম্প পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়খি। কেম্প অদু পাঙথোক্কদবা নুমীৎ ১০নি ৱাৎলি। মহাক্না কনা-কনা লাক্কনি অমসুং লাক্লোই হায়না ঙরাং ফোঙদোকপা লৈখি।

নাকল অমরোমদা, সাক্ষিমালিকনা ঙসি মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা অর্জুনা এৱার্দ ফংলগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোরকপদা মহাক্কী মমিং য়াওরক্তে হায়না পেন্দবা ৱাফম কয়া প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদা ৱাকৎলকখি।

নীংশিংবায়াবদি, কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক্স গেমসতা সাক্ষি মালিকনা রেষ্টলিং মশান্না অদুদা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। খেল রত্না এৱার্দসু ফংখ্রবা সাক্ষি মালিকনা আর্জুনা এৱার্দ ফংনবা করি অমুক তৌগদবা ৱাৎলি হায়না হংখি। মহাক্তা নৎতনা ৱেটলিফ্টর সাইখোম মিরাবাই চনুসু অর্জুনা এৱার্দকী রেক্কমেন্দ তৌবদা য়াওখ্রবসু মাংজৌননা খেল রত্না এৱার্দ ফংখ্রে হায়দুনা হন্দক্কী অর্জুনা এৱার্দতা মমিং য়াওখিদে। সাক্ষিনা ইরকখিবদা শান্নরোয় অমনা ইভেন্ট অদুদা থৱায় হকচাং য়াওনা লৈবাক্কীদমক্তা মিংচৎ পুরক্কবা শান্নরিবনি। মহাক্কী মমিং অর্জুনা এৱার্দতা য়াওরকপা অসি পামদুনা লাকখি।

প্রাগ চেলেঞ্জর টেনিস টুর্নামেন্ট

স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা রসিয়াগী অস্লান করাটসেববু থোইদুনা প্রাগ চেলেঞ্জরগী টাইটল লৌখ্রে

প্রাগ, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):

স্বিজরলেন্দগী নুপাগী টেনিস শান্নরোয় মমাংদা য়ু এস ওপন টাইটল ফাওবা ফংবা ঙমখ্রবা ৱর্ল্ড নম্বর ১৭ রেঙ্কতা লৈরিবা ষ্টান ৱারিনকানা ঙরাং জেক রিপব্লিককী সিটি প্রাগতা পাঙথোকপা এ টি পি টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা প্রাগ চেলেঞ্জরগী ফাইনেলদা রসিয়াগী শান্নরোয় অস্লান করাটসেবপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা টাইটল ফংখ্রে।

ৱারিনকানা ঙসি ফংখিবা টাইটল অসি কুমজা ২০১৭তা মহাক্না জিনিভাদা টাইটল ফংখিবা অদুগী মতুংদা অহানবা ওইরি। ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা ৱারিনকানা সেমিফাইনেলদা জেক রিপব্লিককী শান্নরোয় মাইকেল বরবেনস্কিবু ৫-৭, ৬-৩, ৬-৩দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতনা মহাক্না ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুমিট নগালবু ২-৬, ৬-০, ৬-১দা থোইরম্বনি।

নাকল অমরোমদা, অস্লান করাটসেবনা মহাক্কী সেমিফাইনেলদা ফ্রান্সকী পিএরি হ্যুজ হর্বটপু ৭-৫, ৭-৬ (৭-৯)দা থোইরমখি। অদুগা ক্বার্টরফাইনেলদনা মহাক্না স্বিজরলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোয় হেনরি লাক্সোনেনবু ৭-৬ (৭-৩), ৬-৪দা মায় পাকখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী হৌরকপা অহানবা সেট অদুদা শান্নরোয় অনীমক লম্বা য়াম্না মান্ননা গেম ১২ শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা গেম ৬-৬তা লৈনখি। অদুবু টাই ব্রেক শান্নরকপদা ৱারিনকানা পোইন্ট ৭-২দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাবা ঙমখি। অনীশুবা সেটতা ষ্টান ৱারিনকানা অস্লান করাটসেবকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌখিবা অমদি মহাক মশামক্কী সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্দ তৌবা ঙমদুনা ৬-৪দা থোইরগা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ৩১দগী হৌগনি হায়না তৌরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অদু ষ্টান ৱারিনকা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শরুক য়াররোই হায়না মাংজৌননা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্তা নৎতনা নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় স্পেনগী রাফেল নদালসু য়াওরোইদৌরি অমদি নুপীগী কাঙলুপ্তুসু ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি, হন্দক্তা প্রাগ ওপন টাইটল লৌবা ঙমখিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং কানাদাগী য়ু এস ওপন ২০১৯গী চেম্পিয়ন এনদ্রুসকা প্রিয়াঙ্কাসু য়াওরোইদৌরি।

ঙরাংগী টুর্নামেন্ট অদুগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ফ্রান্সকী প্যের পোল হর্বট অমসুং এ রিন্দরনেকনা জেক রিপব্লিককী প্যের জে কোলর অমদি এল রোসোলবু ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদ

মখা তাবা রাউন্দ ৩ শান্নবদা ইন্দিয়াগী টিম মেচ ২ থোইরগা ১ দ্রো চৎতুনা চাইনাদগী পোইন্ট অমা হন্থরগা ২শুবা লৈরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসননা শীন্দুনা অহানবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদকী মখা তাবা রাউন্দ ৩ শান্নবা লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী টিম মেচ ২ মায় পাল্লগা অমা দ্রো চৎতুনা চাইনাদগী পোইন্ট অমা হন্থদুনা পুল এদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙরাং ইন্দিয়ানা অহানবা অমসুং অনীশুবা রাইন্দগী মেচশিং মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা মাংজিল থাখিবনি। অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়ানা জিম্বাৱেবু ৬-০দা থোইখি। অনীশুবা রাউন্দদা ভিয়েটনামবু ৪-২দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা রাউন্দা উজবেকিষ্টানবু ইন্দিয়ানা ৫.৫-০.৫দা মায়থীবা পীখি। রাউন্দ অমা থোইবদা পোইন্ট ২ ফংবনি। অদুগা দ্রো চৎপদনা পোইন্ট ১ ফংবগী কাঙলোন অসি ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা লৈরি।

ঙসি ইন্দিয়ানা পুল এদা মরিশুবা রাউন্দ ওইনা ইন্দোনেসিয়াগা লম্বা তৌনবদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৪.৫-১.৫দা থোইখি। ইন্দিয়াগী অনন্দ ইন্দোনেসিয়াগী মেগারান্তোগা দ্রো চৎখি। অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী সন্তোশ গুজরাথিনা ইন্দোনেসিয়াগী ফরিদ ফর্মানবু ১-০দা থোইখি। অহুমশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী দ্রোনাভালি হরিকা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী খরিস্মা সুকন্দরগা দ্রো চৎখি। মরিশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী ভক্তি কুলকরনিনা মেদিনা ওলিয়াবু মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা গেমদা প্রগনন্ধনা গিলবর্ট তারিগনবু থোইবা ঙমখি। অদুগা তরুকশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী ভক্তিকা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী ফিজা ভিলিগা দ্রো চৎখি।

মঙাশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়া অমসুং ইরান লম্বা তৌনখি। অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী অনন্দ ইরানগী মাকসুদলোনা থোইখি। অনীশুবা গেমদা হরিকৃষ্ণনা তাবাতাবেবু মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা গেম ইন্দিয়াগী কোনেরু হম্পী অমসুং ইরানগী খাদেমালসারে দ্রো চৎখি। মরিশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী হরিকানা মাদিয়ানবু মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা গেম ইন্দিয়াগী নিহাল অমসুং ইরানগী গোলামি দ্রো চৎখি। অদুগা রাউন্দ অদুগী তরুকশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী ভক্তিকা অগ্রাৱালনা ইরানগী জহিদিফরবু মায়থীবা পীদুনা ৪-২দা স্কোর লৈখিবদগী পোইন্ট ২ ফংখি।

তরুকশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়া অমসুং মোঙ্গোলিয়া লম্বা তৌনবদা গেম ৩/৩ থোইনদুনা পোইন্ট য়েন্নখি। রাউন্দ অদুগী অহানবা গেম ইন্দিয়াগী সন্তোশ গুজরাথি মোঙ্গোলিয়াগী বিলগুননা থোইখি। অনীশুবা গেমদা ইন্দয়াগী চিতম্বরমনা মোঙ্গোলিয়াগী মুঘলবু মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা গেমদা কোনেরু হম্পী মুনগুলতুননা থোইখি। মরিশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী ভৈসালি মায়থীবা নংখি। মঙাশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী প্রগনন্ধা মায় পাকখি। অদুগা তরুকশুবা গেমসু ইন্দিয়াগী দিব্য মায় পাক্তুনা লৈবাক অনী পোইন্ট ৩/৩দা দ্রো চৎখি। ঙসি ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৫ ফংবা অদুগা ঙরাংগী ৬কা পূনশিল্লগা পোইন্ট ১১ ফংদুনা চাইনাগী পোইন্ট ১২দগী অমা হন্থরগা লৈরি।

বুসান আই পার্কনা পোহাং ষ্টিলরস থোইদুনা তরেৎশুবদা হাইগৎপা ঙমখ্রে

সিওল, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):

বুসান আই পার্ক ফুটবোল ক্লবনা পোহাং ষ্টিলরসপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা কোরিয়া লিগ ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলদা তরেৎশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি বুসান গুদিওক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা হান্না পোইন্ট ১৬ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা বুসান আই পার্কনা পোহাং ষ্টিলরসপু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা পোইন্ট ১৯ ফংখিবগা লোয়ননা তরেৎশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা বুসান আই পার্ককী এম কাংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৯ দা ঙাইরবা মতমদা মখা তানা বুসান আই পার্ককী শান্নরোয় জে লিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা ২-০দা লৈখি।

পোহাং ষ্টিলরসকী টিম অসি মমাংগী রাউন্দ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পোইন্ট ২৫ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। মখোয়না ঙসিগী মেচ অদু মায় পাক্তুনা অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখি।

পাঞ্জল অনী শোথরবা মতুং অনীশুবা হাফতা টিম অদুগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা এটেক চথুদুনা শান্নরকখি। মদুগী মতেংনা শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় কেলিনা পাঞ্জল অমা চল্লগা শোথরম্বা অনীগী মনুংদা অমা হন্দকপা ঙমখি। মেচকী মখা তারকপা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা পোহাং ষ্টিলরসকী শান্নরোয়শিংনা ফনা কন্না হোৎনদুনা ইক্বেলাইজর ফংনবা শান্নখিবা অদুমহয় য়ানখিদে। পোহাং ১-২দা মায়থীহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা টেবলদা খ্বাইদগী মখৈদা লৈরিবা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদনা সুৱোন ব্লুৱিংসপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা এস সোংনা চনখিবনি। মায় পাক্লবসু ইঞ্চিওন পোজিসন হাইগৎপা ঙমখিদে।

Pos	Team	Pl	W	D	L	GF	GA	GD	Pt
1	Ulsan Hyundai	16	12	3	1	36	10	26	39
2	Jeonbuk FC	16	12	2	2	28	10	18	38
3	Sangju Sangmu	16	8	4	4	20	20	0	28
4	Daegu FC	17	7	5	5	26	19	7	26
5	Pohang Steelers	17	7	4	6	29	22	7	25
6	FC Seoul	17	6	2	9	16	31	-15	20
7	Busan I'Park	17	4	7	6	18	23	-5	19
8	Gangwon FC	17	4	6	7	20	26	-6	18
9	Seongnam FC	16	4	6	6	13	17	-4	18
10	Gwangju FC	17	4	5	8	16	23	-7	17
11	Suwon Bluewings	17	3	5	9	14	21	-7	14
12	Incheon United	17	2	5	10	10	24	-14	11

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা এস ও পি শেমদুনা ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন হৌগদৌরি

হায়দরবাদ, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী চহী অসিগী মার্চ ময়াই চনশিল্লকপদগী লেপ্তুনা লাক্লবা ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিং অমুক হৌননবগীদমক্তা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) অমা নৌনা শেমখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী লৈঙাকশিংগী মতেংগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ইন্টরনেসনল বেদমিন্টর টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্লনবা শিল্লিবনি। মরুওইবদি বেদমিন্টন মশান্না অসিগী শান্নরোয়শিং, কোচশিং, সপোর্ট ষ্টাফশিং অমসুং ওফিসলশিংগী অফবা ইনভাইরনমেন্ট অমা লৈহন্নবা বেদমিন্টন ফেমিলি ববল শেমগদৌরিবনি। মসিনা ফোঙদোক্লিবদি টুর্নমেন্ট অমদা শান্নরোয়শিংদা নৎতনা মথৌ তাবা অতোপ্পা সপোর্ট ষ্টাফ পুম্নমক কোভিদ-১৯ শুংশোয় শোয়দনা টেষ্ট তৌগদবনি। হায়রিবা টেষ্ট অসি টুর্নামেন্ট খুদিংগী তৌগদৌরি।

অনৌবা এস ও পি অসিগী মতুংইন্না শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা টুর্নামেন্ট অমা শরুক য়াননবা লাকপদা হৌগদবা নুমীৎ হুম্নি ৱাৎলঙৈদা মশা-মশানা শেল পুথোকচদুনা টেষ্ট তৌগদবনি। অদুগা নেগেটিভ ওইরবা কান্দা টুর্নামেন্ট য়াওবা য়াগদৌরিবনি।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, শান্নরোয়শিংনা খুৎ শোক্লবগী মহুৎতা রেক্কেট ওইনা থেংনগদবনি। লোয়ননা মেচ ওফিসলশিংগা উনবদা কোকনা নোন্থদুনা নৎত্রগা থবাক্তা খুৎ থম্বগী চৎনবী অদুসু লৈহল্লগনি।

বেদমিন্টন মেচ অমা শান্নবদা শট্টলকোক অদু শিনবগী মতাংদসু অহোংবা লৈগদৌরি। কোক্কী নাকল অনীমক লোইশিল্লকপদা শট্টলকোক লৌফম অমমম্ লৈগনি। মখোয়না শট্টলকোক অদু শান্নবা য়াদ্রবা মতমদা অম্পায়রগী অয়াবা লৌরগা রেক্কেটনা সর্ভিস জজদা পীবা নৎত্রগা শট্টল বোক্সতা থাদগদবনি হায়রি। টুর্নামেন্ট অমগী হান্না লৈরম্বা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দশিং অদু হন্দক্কী ওইনদি লৈররোই।

ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয়শিং ট্রেনিং হৌখ্রে, স্কিল দিভলপমেন্টতা মীৎয়েং চঙলি : রিদ

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকিগী কোর গ্রুপনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টরদা ট্রেনিং চথবা হৌখ্রে। লোয়ননা ট্রেনিং অদুদা স্কিল দিভলপমেন্টতা হান্না মীৎয়েং চঙগনি হায়না নেসনল কেম্প অসিগী হেদ কোচ ওইরিবা গ্রাহাম রিদনা ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহ য়াওনা অতোপ্পা শান্নরোয় মঙা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরক্তুনা হোস্পিটালদা এদমিট তৌখিবনি। ওগষ্ট ১০ অমসুং ১২দা টেষ্ট তৌখিবা অদুদা পোজিটিভ ওইরকপদগী মখোয়বু চেকশিন থৌরাং হেন্না ফংননবা হোস্পিটালদা থম্লকপনি। তরুক্কী মনুংদা মঙা ফরকপদগী মখোয় ট্রেনিং য়াওদ্রিঙৈ মতম খরা আইসোলেসনদা লৈগদৌরি। অদুবু সুরিন্দর কুমারদি মখুৎতা পোমখৎলকপদগী অমুক হন্না শগোলশেন নুমীৎতা হোস্পিটালদা এদমিসন তৌখ্রে হায়রি।

কোচ গ্রাহাম রিদনা মখা তানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, শান্নরোয় তরুক অসি নৎতবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি য়ুমশকৈশা নুমীৎতগী বেসিক স্পোর্টস এক্টিভিটি হৌখ্রবনি। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা চয়োল খরা অসিদা স্কিল দিভলপমেন্টকী মতাংদা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা ট্রেনিং তৌগনি হায়রি। শান্নরোয়শিং অসিগী মায়কৈদগী মখোয়না ফিল্দদা শান্নবা অমসুং লৌরকপা ৱারেপশিং অদুগী মতুংইন্না মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক্স গেমসতা রিজল্ট পুরকপা ঙমগদৌরিবনি।

মশাগী চহী ৫৬ শুরবা ওষ্ট্রেলিয়া মচা গ্রাহাম রিদনা শান্নরোয়শিং অদুদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খৃথাংদা এসাইনমেন্ট কয়া পীদুনা মরুওইবা শান্নরোয়শিংগী ৱারী অমদি মখোয়গী মওং-মতৌ অদুগী মতাংদা খঙহনবসু লৈখ্রবনি। হৌজিক-হৌজিক কেম্প অসিদা নুপা শান্নরোয় ৩৩ অমসুং নুপী শান্নরোয় ২৪ লৈরি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

য়ুমখাইবম ইনাওচা, তোপ মখা লৈকায়

কৎথোকপা অমগা লোয়ননা লমদম অসিদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবা মীওইবু লায়েংদুনা ফহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা দা. উথানগী থৌনা তশেংনমক থাগৎনিংঙাইহনি। পোজিটিভ ওইরবা পেসেন্ট কয়াবু লেপ্পা লৈতনা মশাগী থৱায় ফাওবা পাম্মুবা লৈতনা হোৎনরিবা মহাক্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবা অসি তশেংনা নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি। অদুবু মহাক্কী হোৎনজমন মহয় ওইনা অথুবা মতমদসু ফরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবসু লৈ। হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু লাইচৎ অসি লাকশিনবা ৱারকপনা মরম ওইদুনা মীপুম খুদিংনা মীপাইবা হায়বদুসু ওইরে। লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইদুনা খজিক ৱাখল শোন্থরক্লবা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংনা দোক্টর উথানগী খাঙবা ঙম্বগী মতৌবু উরগা শোয়দনা থৌনা অমা ফংলমগনি খল্লি। ষ্টেট অসিগী দোক্টর খুদিংমক্না মহাক্কী থৌদাংবু তমজনিংঙাইহনি। মহাক্না অনাবা মীওইশিংগা ফজনা লোয়নরিবা মওং অসিমক দোক্টর অয়াম্বনা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা চৎমিন্নরবদি করিগুম্বা কান্দা পেসেন্ট কাংবুগা খৎন-চৈনবা থোক্লিবা অসি খরমখৈদি ফগনি হায়না খল্লি। মীচম অমা ওইনা তশেংনা দোক্টর উথাননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মতাংদা লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎচরি।



ৱাংখৈরাকপম মাইপাক, নোংমৈবুং পুং মখোঙ

গ্রিন জোন ওইরি হায়না লাউথোক্লম্বা ষ্টেট অসিদা অহানবা কোভিদ-১৯গী লায়না নাবা হৌরকপা মতমগা অমদি হৌজিক কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন য়ৌরক্লবা মতমগা য়েংনরুবদা চেকশিনবগী চাং অসি য়াম্না খেন্নবা হায়বদু ওইরে। থৌওং অসি উরগা অহল-লমননা হায়নরম্বা বোম্না হৌরগা পোকলাওবিনা লোইশিল্লি হায়বা ৱাফমদু নীংশিংলকই। ষ্টেট অসিগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিগী তংদাংবা অমা খঙদোকপসু ঙমদ্রি। ফগৎলকপগী চাং চাদা ৬০ হেল্লবসু শন্দোরকপসু লেপত্রি। শিবগী মশীংসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা মীওই ২১ শুখ্রে লৈখিদবসু। অমরোমদা মতম শাংনা লোকদাউন চৎথরকপনা মীয়াম পূম্বা চান-থক্লবা ফংজিল্লক্তবদগী খরদং অৱাবা কোক্লবা হায়দুনা লৈঙাক্না লোকদাউন কোমথোকহন্দুনা পোৎচৈ লৈবগী অয়াবদি পীরি। অদুবু পোৎচৈ লৈবা লাকপা মীওইশিংনা ঙসিসু কা হেন্না কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবগী মমি অদুমক তারি। চৈরক অসিদা লমদম অসিগী লুচিংবশিংনসু মশা-মশাগীতা ওইনা খন্না থবক তৌরকপগী থৌওংশিং অসিনা লৈবাক মীয়াম্নসু ৱারৌই। য়ারিবমখৈদি লায়না অসি অমত্তা ওইনা লাকশিন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়জরি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com